ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯳꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওগষ্ট ৩১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৫৫শুবা মশীং

# মীয়ামদা পোৎয়েন-চায়েন

## অকক্লবা রুলশিং লৈফম থোকই

যুনিয়ন নৎত্রগা ষ্টেট লৈঙাকশিং ওইগেরা, দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোননিনা মীখলদা মেজোরিটি ওইরকপা পোলিটিকেল পার্টিনা লৈঙাক্লোন খূৎপায়নবা হায়বসি মশানা তাবনি। পার্টি অমনা লৈঙাক পায়বা য়াবগী মেজিক নম্বর ফংবা ঙমদ্রবসু অতোপ্পা পার্টিশিংগা পূনশিন-তাশিন্নরগা মথৌ তারিবা মশীং অদু য়ৌরবদি মীয়ামগী লৈঙাক খুর্জি পায়বা য়াই। চৎনবীসি যুনিয়ন লৈঙাক্তসু লৈ। অদুগা ষ্টেট লৈঙাকশিংদসু লৈ। অদুগা হায়রিবসিদা অকক্লবা নৎত্রগা অরেপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমনা নৎত্রগা খরনা ওইগদবনি হায়বগী ৱাফমসু লৈতে। মতম মতমদুগী মতুংইন্না মরী লৈনরকপা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা হেক্তমক থোকপা য়াই। অদুবু মখোয়না লৈঙাক লিংলক্তুনা খূৎপায়নরক্লগদি দেমোক্রেসিগী য়াংলেন শরূ ওইরিবা জুদিসিয়ারি অমসুং এগজিক্যুটিভকা খূৎশম্নদুনা লৈবাক লৈঙাক্কদবনি। মীয়ামগীদমক চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎতুনা মীয়াম্বু থৌগল তৌগদবনি। অসিগুম্বা থবকশিং অসি খূৎপায়নববু দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোনদা মীয়ামগী মীহুৎ অমনা লৌগদবা থৌদাং, তৌগদবা থবকশিং ওইগনি। দেমোক্রেসিগী অশেংবা মচৎ ওইগনি, ওইফমসু থোকই। অদুবু হায়রিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা তৌগদবা থবক থৌরমশিং অসিগী মথক্তা মসিদগী হেন্দোক-পাথোরকপা পোৎয়েন-চায়েন্নচিংবশিংদসু থবকশিং অদুবু পাঙথোক্কদবা ওফিসল/ষ্টাফশিং লৈনা লৈনা চোঙশিন্দুনা তৌশিল্লুফম থোকপ্রা হায়বগী ৱানি। খুদম ওইনা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) গী মখাদা মসিগী চেঙশিং ফংগদবা/পীবা য়ারবা মীওইশিংদা পীনবগী থবকশিংগীদমক এক্ট অসি শেম্বদা ময়েক শেংনা য়াওজদুনা লাকই। নফসাগী চেঙশিং কনাদগী লৌগনি, করম্বা ষ্টেট অমসুং যুনিয়ন টেরিটোরিগী মায়কৈদগী ওথোরিটি কনানা মতৌ করম্না লৌগনি, এক্ট অসিগী বেনিফিসরিশিংদনা কনানা য়েন্থোক্কনি, য়েনগদবা চেঙগী চাংনা কয়া-কয়ানো হায়বনচিংবসি য়াম্না ময়েক শেংনা য়াওজ দুনা লৈরিবনি। এক্টসি শেন্নকপদা হায়রিবশিং অসি অমত্তা চত্থদনা য়াওরক্লবনি। অসুম্মাইনা পি এম জি কে এ ৱাইগী ওইগেরা, ৱিদোশিংগী য়াওনা ষ্টেট অমসুং নেসনল ওল্ড এজ পেন্সন স্কিমশিংগীবু ওইগেরা চপ-চপ চাবা রুলস অমসুং রেগ্যুলেসনশিং লৈরিবনি।

অদুগা হান্নদগী লৈরকপা স্কিমশিং অসি নত্তবা ষ্টেট নৎত্রগা যুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মীয়ামদা অখন্ননা অনৌবা পোৎলম চৈরমশিং য়েন্থোক্কদবা ওইরবসু/য়েন্থোক্লবসু মদুগীদমক অকক্লবা গাইদলাইন অমদি শোয়দনা লৈগদবনি। হায়বদি লৈঙাক্লা তৌবা থবক্তা অকক্লবা চৎন-পথাপশিং শোয়দনা লৈফম থোকই, লৈগদবনি। অদুবু মীয়ামগীদমক লিংলিবা লোয়শঙশিংনা মীয়ামগীদমক পাঙথোক্কদবা থবকশিংসি এগজিক্যুটিভকী দ্যুটি অমসুং ফঙ্কসনশিং ওইফম থোকই। মসি ওইরগদি এগজি ক্যুটিভকী থবক্তা লেজিসলেচরনা খূৎ থিংজিনফম থোকপ্রা? লেজিসলেচরনা চঙশিন দুনা য়াওশিল্লুরগদি মদুদা অশোইবা অরানবশিং য়াওরকপদা কনানা চপখৎতুনা ৱারক-ৱাতেমগনি। করিগুম্বা লেজিসলেচরশিংগী মায়কৈদগী অরানবা য়াওরক্লগদি এগজিকুটিভশিংনা ৱায়েল চত্থবা তারক্লিব্রা? হোয়, লেজিসলেচর নৎত্রগা জুদিসিয়রিবু ওইগেরা নৎত্রগা এগজিক্যুটিভপু ওইগেরা পূন্নমক লৈবাকসিদা চৎনরিবা লৌশিংগী মখাদা লৈবা ঙাক্তনি। লো থুগাইবা থবকশিং তৌরক্লগদি লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা য়াই। অদুবু হার অমসুং চেঙ-চাক য়েনবদা য়োংলৈ মেল্লেননা য়েল্লে অমসুং মওং-মরীল তাদ্রে হায়দুনা লেজিসলেচরশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকই হায়দুনা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনরকপদদি উচি ময়াম্না হৌদোংগী মঙক্তা শরিক থাংনবগী লৈবা ৱারেপকা হেক্তা পাঙ্খক্লে হায়বগী ৱানি। মরম অসিনা ষ্টেট এগজিক্যুটিভশিংনা অমসুং অর্বান লোকেল বোদিশিংনা তৌজগদবা, তৌফম থোকপা থবকশিংদদি লেজিসলেচরশিংনা খূৎ থিংজিনবীরুনু হায়বনি। মরমদি ৱারু-নুংজু থোক্লদনা তূমিন্না শোৎ প্রেক লাওদনা লোইশিন্নখিবা তোয়না য়াওখিদে হায়বসি হন্দক্কী হার য়েনবগী থবক্লা লেঙদ্রবা খুদম ওইরে হায়বনি। মতুংদা পোৎয়েন-চায়েনদা লৈবাক ৱাথোক ওইহল্লক্কনু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১) **"লাইথি জাগোয়গী চীন্থাং ৱারী"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ওরিজিনেল করি লোলদা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) **"মেনকাগী মচানুপী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

৩) **"নিতি লীলা দিবারাস"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **"পুন্সি অমসুং তিংখং"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"অশংবা চীংমায়শিং/অমুবা ফিজোল হোংদোকখ্রবদা/কায়রক্লে ঋতুগী খোঙচৎ/ঈচেল লেপখ্রে তুরেলশিং/চেল্লক্লে লৈক্রক্কী ঈচেল"** শৈরেং অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*


১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,৪)
২) হৈস্নাম মাইকেল, শীংজমৈ চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায় - (২)
৩) থোংগ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (২)
৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪৮গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***


**লিটরেরি ক্যুইজ ৪৮গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# থবোম্বীগী ইনফেক্সনশিংবু সাইদ ইফেক্ট লৈহন্দনা লায়েংনবগীদমক বেক্টরিয়া চাথোকপা ঙম্বা ভাইরসশিং শীজিন্নবা



বেক্টিরিওফেইজগী তোইনা থেংনবা শক্তম অমা


Constance Benson



বেক্টরিয়ানা সুপরবগ ওইরকপগী মওং

সাইন্সকী খোঙচৎ
কুঞ্জো নাওরেম

ফেইজ নৎত্রগা বেক্টরিএল ভাইরস হায়রগসু খঙনরিবা, বেক্টিরিওফেইজ হায়বসি বেক্টরিয়াবু ইনফেক্ট তৌহনবা ঙম্বা ভাইরসশিংগী কাঙলূপ অমনি। বেক্টিরিওফেইজশিংসি Frederick Towort (গ্রেট বৃটেন, ১৯১৫) অমসুং Felix d'Herelle (ফ্রান্স, ১৯১৭) না ইহান হান্না মশক তাকপা ঙমখি। বেক্টিরিওফেইজ হায়রিবসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি "বেক্টরিয়াবু চাথোকপা' হায়বনি। মসিগী মরমদি মচা পোক্লবগীদমক বেক্টিরিওফেইজনা বেক্টরিয়ম অমগী মনুংদা চঙখি, নৌনা পোক্লক্লিবা মচাশিংদুবু থাদোরক্ল বগীদমক বেক্টরিএল সেলদুবু থুগাই। অসুন্না বেক্টরিয়াবু হাৎপা ঙম্মী। বেক্টিরিওফেইজ অসি মীওইবগী হকচাংদা অমাঙ-অতা থোকহন্দে অমসুং ঈশিং, নুংশিৎ, লৈবাক্লচিংবা ঐখোয়গী অকোয়বদা মরাং কায়না লৈ।

Twort অমসুং d' Herelle না ব্যুবোনিক প্লেগ অমসুং কোলেরাগুম্বা বেক্টরিয়ানা থোকহনবা লায়নাশিংবু লায়েংবগী থবক্তা বেক্টিরিওফেইজশিংবু শীজিন্ননবা হোৎনরকখি অদুবু মায় পাকপদি ঙমখিদে; অদুগা কুমজা ১৯৪০গী মতমদা এন্টিবাইওটিকশিং পুথোক্লরকপদগীদি ফেইজ থেরাপিগী মরমদা থিজনবগী থবক পাঙথোক্লরকখিদ্রে। অদুবু এন্টিবাইওটিক-রিজিষ্টেন্ট বেক্টরিয়াশিং (সুপরবগশিং হায়রগসু খঙনবা) গী মশীং অসুম হেনগৎলকপা অমসুং লায়েংবদা হেন্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরকপদগী বেক্টিরিওফেইজ দা অমুক মায় ওনশিনবা হৌরকখি।

"ক্লিনিকল ইনফেক্সিয়স দিজিজেজ' (জুন ৯, ২০২২) দা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না যুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়া সান দিয়াগো স্কুল ওফ মেদিসিন অমসুং যুনিভর্সিটি ওফ পিটসবর্গনা লুচিংখিবা মালেমগী থাক্তা লৈবা থিজিন-লূপ অমনা এন্টিবাইওটিক রিজিষ্টেন্ট ওইবা থবোম্বীগী ইনফেক্সনশিংবু বেক্টিরিওফেইজশিং শীজিন্নরগা লায়েংবা ঙম্লে; ক্লিনিকল ত্রাইএলদা লায়েংখিবা অনাবশিংগী তঙ্খাই হেনবদা সাইদ ইফেক্ট লৈতবা অমসুং কান্নবা ফংবসু থেংনরে হায়রি।

সিষ্টিক ফাইব্রোসিস নৎত্রগা হকচাংগী কয়াৎ পূন্নমক্তা ওক্সিজেন অমসুং অতোপ্পা গ্যাসশিংবু পুথোক-পুশিন তৌখিনবগী ট্যুবশিংগী নেটৱর্ক ওইরিবা - থবোম্বীগী ব্রোঙ্কাইশিংবু শোকহল্লিবা নৎত্রগা মাঙ-তাকহল্লিবা ক্রোনিক দিসওর্দরশিংনা নারবা মীশিংদা নোন-ট্যুবরক্যুলোসিস মাইকোবেক্টিরিয়ম (এন টি এম) গী ইনফেক্সনশিং তৌগল্লি। এন্টিবাইওটিকশিংনা বেক্টরিয়াবু হাৎপা ঙম্লক্তবসিনা মরম ওইরগা, মরু ওইনা *Mycobacterium abscessus* না থোকহনবা এন টি এম ইনফেক্সনশিংবু লায়েংবা হায়বসি অচৌবা শিংনবা অমা ওইদুনা লাক্লি। সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোলগী মতুংইন্না এন্টিবাইওটিক পূন্নমক্তা রিজিষ্টেন্ট ওইরবা ইনফেক্সন মিলিয়ন ৩ মুক্না মরম ওইরগা যুনাইটেদ ষ্টেটসতা চহী খুদিংগী মী ৩৫,০০০ মুক শি হায়রি।

কুমজা ২০১৬তা যু সী সান দিয়াগো স্কুল ওফ মেদিসিন অমসুং যু সী সান দিয়াগো হেল্থকী সাইন্টিষ্টশিং অমসুং ফিজিসিয়নশিংনা মখোয়গা থবক তৌমিন্নরিবা, মল্টিদ্রগ-রিজিষ্টেন্ট বেক্টরিএল ইনফেক্সন্না নারবা টোম পেটর্সনবু লায়েংনবগীদমক ইন্ট্রাভিনস ফেইজ থেরাপিবু চাংয়েং ওইনা পায়খৎপা হৌখি। পেটর্সনগী লায়েং অসিনা সিষ্টেমিক বেক্টরিএল ইনফেক্সনবু মূত্থৎনবগীদমক ইন্ট্রাভিনস ফেইজ পীবসি যু এসকী অহানবা দোক্যুমেন্টেদ কেস ওইরম্মী। মসিগী মতুং তারকপদা মায় পাকপা কয়া থেংনরকপদগী, নোর্থ অমেরিকাদা অহানবা ওইনা যু এস সান দিয়াগোদা 'সেন্টর ফোর ইন্নোভেটিভ ফেইজ এপ্লিকেসন্স এন্দ থেরাপ্যুটিক্স" (IPATH) লিংখৎপা ঙমহনখি।"

টোম পেটর্সনবু মায় পাক্লা লায়েংখিবা অসিনা ফেইজ থেরাপিবু লায়েং-পথাপ্তা শীজিন্নবগী থবকসি হেন্না খুমাঙ চাওশিনহনবা ঙম্লগনি হায়না যু সী সান দিয়াগো স্কুল ওফ মেদিসিনগী মেদিসিন এন্দ গ্লোবেল পব্লিক হেল্থকী প্রোফেসর Constance Benson না হায়রি। হৌজিকমককী ওইনদি ফেইজ থেরাপিগী শীজিন্নফমসি য়াম্নমক লৈত্রি, মরমদি ফেইজ স্পেসিস অমনা বেক্টরিএল স্পেসিস অমখক্তবু থি অদুগা মাঙ তাকহল্লি; অদুগা অতোপ্পা অমরোমদনা, লায়েং-পথাপ্তা কান্নে হায়না মশক খঙলবা ফেইজশিংগী মশীংসি য়াম্না য়ামদ্রি। অদুনা ফেইজ থেরাপি টেষ্টিং অসি হৌজিক্কী ওইনদি পাঙথোকপা য়াবা লায়েং পথাপ পূন্নমক্লা কান্নবা ফংলক্ত্রবা মতমখক্তদা চাংয়েংগী ওইনা পাঙথোকপগী ফীভমদা লৈরি।

খ্বাইদগী নৌবা ওইনা থিজিনখিবা অসি কমপ্লেক্স, এন্টিবাইওটিক-রিফ্রাক্টরি মাইকোবেক্টিরিএল ইনফেক্সনশিংনা নাহল্লবা অনাবা ২০গী কাঙলূপ অমদা পাঙথোকখি। অনাবা পূন্নমক থবোম্বী অমদি অতোপ্পা কয়াৎশিংবু শাথীনা শোল্লবা, অয়াম্বনা সিষ্টিক ফাইব্রোসিস (সী এফ) লৈরবশিংনি। হৌজিক্কী ওইনদি, সী এফপু পুংফ ফহনবা ঙম্লবা লায়েং লৈত্রি। অদুনা সী এফ লৈরবা মীশিংনা হিংবগী মতমসি চাংচৎকী ওইনা চহী ৪৪ ফাওবনি।

Benson, যুনিভর্সিটি ওফ পিটসবর্গকী ইবর্লি ফেমিলি প্রোফেসর ওফ বাইওটেক্লোলোজি, Graham F. Hatfull অমসুং মখোয়গী খোঙলোয়শিংগা লোয়ননা ফেইজশিংনা চাথোকখিবা ঙমগদবা বেক্টরিএল ষ্ট্রেইনশিং মশক খঙদোক্লবগীদমক সিম্পটোমেটিক লং দিজিজ লৈরবা অনাবা ২০০ খকপু স্ক্রিনিং তৌরম্মী অদুগা ষ্ট্রেইন ৫৫ খক খন্দোকপা ঙম্লম্মী। ফেইজশিংদু নৈনবসিদা শরুক য়াখিবা অনাবা ২০দুগী ভেইন্দা কাপ্পা নৎত্রগা নেব্যুলাইজর অমনা এরোসোলাইজেসন তৌরগা নৎত্রগা পান্থে অনীমকসি শীজিন্নদুনা নোংমদা অনীরক, থা তরুকমুক্কী চাংদা পীরম্মী, অদুবু অনাবা খরদদি ক্লিনিকল নৎত্রগা মাইক্রোবাইওলোজিক রেস্পোন্সকী মতুংইন্না থা তরুক্তগী হেন্না নৎত্রগা য়ৌদনা পীরম্মী। লোয়ন-লোয়ননা সাইদ ইফেক্টশিং থোরকপ্রা, সিম্পটমশিংদা ফগৎলকপ্রা নৎত্রগা বেক্টরিয়াগী চাং হন্থরকপ্রা, ফেইজশিংদা রিজিষ্টন্স ওইরকপ্রা অমসুং/নৎত্রগা নারিবা মীশিংদুগী ইম্ম্যুন সিষ্টম্না ফেইজশিংবু ময়াই চমহল্লকপ্রা হায়বনচিংবসু য়েংশিল্লম্মী।

অসুন্না চত্থরকখিবা চাংয়েংশিংদা বেক্টরিএল ইনফেক্সনশিংগী মখল, শীজিন্নখিবা ফেইজগী মখলশিং নৎত্রগা ফেইজশিং পীবগী পান্থেশিংগী মখলদুগা মরী লৈনদবা মওংদা অনাবা অমত্তদা শাথীবা সাইদ ইফেক্টশিং থেংনখিদে হায়না থিজিন লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি। অনাবা ২০দুগী মনুংদগী তরামাথোইদা সিম্পটমগী ওইনা ফগৎলকপা নৎত্রগা বেকটরিয়াগী চাং হন্থরকপা থেংনরম্মী। অনাবা মঙাদদি করি মহয় ফংলক্লবগে হায়না লেপ্পদা অরুবা ওইখি অদুগা অনাবা মরিদদি লায়েং পথাপ অদুদা রেস্পোন্স পীরকখিদে। অনাবা নিপালদা ন্যুত্রেলাইজিং এন্টিবোদিশিং হেনগৎলকপা চপ চানা খঙবা ঙমখি, মসিনা মরম ওইগা অনাবা মরিদা ত্রিটমেন্টকী রেস্পোন্স লৈখিরমদবা য়াই। অনাবা তরামথোইদুদা ফেইজ অমখক্তনা লায়েংখিবনি অমসুং ফেইজ রিজিষ্টন্স ওইরকপগী মওংসু থেংনরমদে।

অনাবশিংদুগী মশা-মশাগী ফিভমশিং অমসুং ইনফেক্সনশিংদুগী কমপ্লেক্সিটিদুনা মরম ওইরগা থিজিনখিবা অসিনা চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পীবা হায়বদুদি ওইথোক্ত্রি, অদুবু মাইকোবেক্টিরিএল ইনফেক্সনশিংবু লায়েংবদা ফেইজ থেরাপিনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবদুদি লৈরে; অদুনা মখা তানা থিজিনবগী মথৌ তারি হায়না Benson না ফোঙদোক্লি। Hatfull না হায়বগী মতুংইন্না, কান্নবা ফেইজশিং খঙদোকপা, মখোয়দুবু আইসোলেটেদ ষ্ট্রেইনশিংদগী শেমগৎপা নৎত্রগা খূৎশেমগী পান্থেনা পুথোকপগী মতাংদসু থিজিনবগী মথৌ তারি হায়রি। লোয়ন-লোয়ননা ভেইনদা কাপ্পবু ওইরো নৎত্রগা এরোসোলাইজেসন তৌববু ওইরো, ফেইজশিংবু অনাবদা খ্বাইদগী কান্নবা মওংদা পীবসি ইনফেক্সন অদুগী মওং মতৌ অমসুং অনাবা মীদুগী ইম্ম্যুন সিষ্টমগী মখা পোনগদ্রা হায়না থিজিনবসিসু মথৌ তারি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোক্লি। অদুবু হৌজিক্কী ওইনদি অতোপ্পা পান্থে অমত্তনা কান্নবা ফংলক্ত্রবা মতমখক্তদা, ফেইজ থেরাপি অসিনা অরোইবা পান্থে ওইবা হায়বদুগী ফীভমদা লৈরি। ●

## — এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ —

# নুংশিজরবা মহৈরোয়শিংদা পীবা পাউতাক

### (পাউজেল অসি মহৈরোয়শিংনা মাগী মাগী লাইরিক পাফম কাগী ফক্লাংদা থেত্তুনা নুমিৎ খুদিংগী নীংশিংগদবনি)

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইচাশা নখোয়না হৌজিক লাইরিক তল্লিবসিদা নখোয়বু পোকপা অহলশিংনা নখোয়গী অচংবা পোৎলম খুদিংমক পুথোকপীদুনা অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনরিবসি মখোয়না নখোয়বু নুংশিবদগী ইচাসিদা ফত্রসনু হায়দুনা তৌরিবনি, মসি নখোয়না খঙগদবনি। অদুগা ৱাফম অমনা নখোয়না করিগুম্বা পোৎশক অমা পীয়ু হায়না তানবদা করিগুম্বদা থুনা ফংবা য়াওনি অদুগা করিগুম্বদনা তপ্না ফংবসু য়াওবা য়াই, মসিদা নখোয়না খঙগদবদি নখোয়গী ইমুংশিংসি চপ মান্নবা ওইদবা মরম্না খুদোংচাদবা মতমসু য়াওই। মরম অসিনা অহলশিংনা নখোয়গী ননিং থুংনবা হোৎনবদা চাদ-থক্তনা তাল্লিবা শেলশিংদু তুংশিন্নবা হোৎনবদা মতম চঙবনি। মখোয়না নখোয়গী ননিং থুংনবা হোৎনবদা ওন্থোক্লা ৱাখ্রবা জাৎনি। মরমশিং অসি খঙনা নখোয়না মখোয়বু নুংশিফম থোকই।

হায়নবা লৈ ইমা ইপা মীৎনা উবা লাইনি হায়না ৱাফমসি নখোয়সু নশা নশাগী ইমা ইপাগী মফমদসু থমদুনা মতম চূপ্পদা ইমা ইপাবু লুনা অমসুং নুংশিনা তৌগদবনি। অসিগুম্বা অহলশিং অদুনা নখোয়দগী অপাম্বা অমখক লৈ। হায়রিবা মখোয়গী অপাম্বদুসু নখোয়দা হায়গে। মখোয়না নখোয়দগী পাল্লিবসি নখোয়বু থবক কন্না শুহন্দুনা শেল তালহল্লগা শেল অদু মখোয়না শীজিন্নবা পাম্বা নত্তে। অদুগা নখোয়বু লৌবুক্তা কুমহল্লগা থবক কন্না শুহল্লগা মখোয়গী মতেং পাংহনবা পাম্বসু নত্তে। মখোয়না নঙগী নফমদগী পাল্লিবসি নখোয়না অফবা মহৈরোয় ওইদুনা নমান্নবদগী মীকোক থোংবা ওইবদুখক্তনি, মখোয়না পাল্লিবা।

ইচাশা য়েংউ মথক্তা উৎখ্রিবা তাঙ্ককশিংদা নখোয়গী অহলশিংনা নখোয়গীদমক হোৎনবদা মখোয়না অৱাবা কয়া থেংনরগসু মখোয়না নখোয়দগী পল্লিবদি নখোয়দা অফবা ওইয়ু হায়রিবনি। নুংশিদ্রা মখোয়না নখোয়দা পীরিবা পাউতাক অসি, নখোয়না মখোয়গী পাউতাকসিবু ইন্দুনা চৎলবদি মতুংদা নখোয় অফবা মীকোক থোংবা মীওই অমসু শোয়দনা ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা নখোয় হৌজিক ৱারেপ অমা লৌরো মদুদি তুংগী পুন্সিদা ঐ অফবা অমসুং মিকোক থোংবা মীশক অমা ওইনবা মমা মপানা হায়বা ইনবা মচা অমসুং ওজানা তাকপা ইনবা মহৈরোয় অমা ওইরগে হায়না।

অহলশিংদা পীবা পাউজেল :- শেল থুম য়াম্না তিংনা ইচাসিদা লাইরিক হৈরসনু হায়না খল্লগা মচাশিংবু লাইরিক তমহনবীরিবা ইকায়খুম্নজরিবা অহলশিংদা ঐগী ৱাকৎ- অহানবদা ইচাবু লাইরিক তমহনবা মতমদা লাইরিক হৈবখক্তা ওইহনগে হায়না খল্লগা লাইরিক তমহনবীগনু। মরমদি হৌজিক ঐখোয়না উরে লাইরিক হৈবা মচা কয়ানা লাইশু খঙদবা ওইখিদুনা মশাবু লীচৎ মাঙলবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা থুমহৎলবা মীশক ওইহন্দুনা মমা মপাগী ৱাজমল মাঙবা ওইখিদুনা মচা শেল্লুবা মমা-মপা কয়া থম্মোয় খুদুম শুনা কপ্পরিবদু অদোমসু উবিরমগনি অদুগা ঐখোয়সু থেংনজরে।

মথক্তা উৎখ্রিবা লীচৎ মাঙলবা মচাশিং ওইখিগদবদগী কন্ননবগী পান্থে অমত্তং হায়জবা তারবদি অহানবদা ইশাবু অফবা মীশক অমা ওইহনবা তঙাইফদে। মরম অসিনা ইশানা য়ারিবমখৈ লীচৎ মাঙবগী থৌওংশিং চত্থবিদবা অদুগা করিগুম্বদা তৌদবা য়াদবা ওইরবসু অঙাংশিংগী মমাঙতদদি তৌবীদবা। অদোম্না অঙাং মমাঙদা ফত্তবা থবক অমত্তং হেক তৌবদা অদুগুম্বা অদোমগী ফত্তবা হৈনবীদু অঙাংদুনসু তমখিদুনা মমৈদদি অদোমগী তৌজমল মাঙলবা ইচা ওইদুনা মখোয়না ওৎ নৈরকপদা অদোম্না খনগনি মতম ফৎত্রে হায়না, মতম ফৎত্রিবসিবু অদোম্নরা নৎত্রগা মতমনরা হায়বদু ইশানা খন্থরবদি শোয়দনা খঙগনি, ইশাননি। ইমুং অমসুং লৈকায় শান্তি ওইহনগে হায়রবদি অদোম ইশা শান্তি ওইবীয়ু। শান্তিদি ইশাদা লৈবনি, অতোপ্পদগী লৌরগদবা নত্তে।

**অদোমগী - থোকচোম ইবোমচা, নিংথৌখোং, ৱার্দ নম্বর ৫**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৮গী পাউখুম

১) **"খানিংপা হোঙনতে মিকোনপা হোঙনতে। খানিং মিকোল আমা তৈপাতি য়িয়ুবা চিঙখোঙ পোইরৈতোন মখুরোনপু কোনপানে।"** ৱাহৈ পরেং অনীসি করম্বা অরিবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো? **:- লৌথোরক্লিবা লাইরিক - পোইরৈতোন খুন্থোক (লা.১); সম্পাদন তৌবা - স্বর্গীয় মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ; অহানবা ফোঙবা, ১৯৭৯ ইং, মার্চ।**

২) **"মণিপুরী রাস"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - শ্রী খাইদেম লোকেশ্বর সিংহ; অহানবা ফোঙবা, ১৯৭৪।**

৩) মণিপুর মপানগী অইবী অমগী লাইরিকনি **"প্রলয়গী খূৎশোক্তা"** হায়বা লাইরিক অসি। লাইরিক অসিগী অইবীসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবীগী মিং - খোইস্নাম ওংবী বীরলা (আগরটলা, ত্রিপুরাদগীনি); লাইরিক্কী মখল - শৈরেং; অহানবা ফোঙবা, ফেব্রুৱারী, ২০১২।**

৪) **"নিংশিংবগী মীহুৎথোঙদা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা- ডা. মোইরাংথেম নরা; লাইরিক্কী মখল - লমকোই ৱারী।**

৫) **"...মতম অসিদা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীমক কাছারদা লৈরি। ইংরেজগী মায়কৈদগী কেপ্তেন গ্রান্টনা ঔৱাশিংবু তান্থোক্লবা মচিন মনাও অনীগী মতেং নীরবদা নরসিংনা ময়াম্বুং গম্ভীর সিংহগা তান্নরগা ঔৱাশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা ঔৱাশিংবু মায়থীবা পীখিবগী মতাং অসিদগী হৌরদুনা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীনা মণিপুরদগী ঔৱাশিং তান্থোকখি।"** ইতিহাসকী মতাং অসি য়াওরিবা লাইরিক মচা অদু করি লাইরিকনো অমদি কনানা সম্পাদন তৌবনো? **:- লাইরিক্কী মমিং- তিলাইন লান্দা নরসিং; সম্পাদন তৌবী - কে ঐচ সরোজিনী; অহানবা ফোঙবা, ওক্টোবর, ১৯৮১ ইং।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।